এ এফ সী কপ ঃ অথেংবদা চনখিবা গোলনা মোহন বগান্না বেঙ্গালুরু এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে

কোলকটা, মে ১৮ :

মেচকী অথেংবদা চনখিবা গোলনা মোহন বগান্না মফম অসিগী রবিন্দ্র সরোবার ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা এ এফ সী কপকী য়ূমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ ঈগী মেচতা বেঙ্গালুরু এফ সীবু ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মায় পাকখ্রবা মোহন বগানগী গোল অদু মেচকী মিনিট ৯ চৎপা মতমদা জেজে লালপেখলুৱানা চনশিন্দুনা ১-০ দা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থানা চৎখি। মেচকী মিনিট ৫২ চৎপা মতমদা বেঙ্গালুরু এফ সীগী সেমিনলেন দোঙ্গেলনা গোল অমা চনশিন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখি।

মোহন বগানগী কিন লেৰিসনা মেচকী মিনিট ৭৪ অমসুং বিক্রমজিৎ সিংহনা মেচকী মিনিট ৮০ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখিদুনা মেচ অদু মায় পাকপগা লোয়ননা য়েংখিবা মীয়াম্বু হরাউ মথোই কাহনখি।

বেঙ্গালুরু এফ সী অমসুং মোহন বগান অনীনা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফেদরেসন কপকী ফাইনেলদা মায়োক্নদুনা শান্নগদৌরিবনি। শান্নগদৌরিবা ফাইনেল মেচ অসি য়েংলগা টিম অনীমক্না মখোয়গী প্লেয়রশিংবু ঙরাংগী মেচ অদুদা য়াওহনখিদে।

এ এফ সীগী টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা মজিয়া স্পোর্টস এন্দ রিক্রেসন ক্লবনা গ্রুপ ঈগী য়ূমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা টেবলগী খ্বাইগী মনিংদা লৈরিবা ধাকা অবাহানিবু ২-০ দা মায়থীবা পীখিদুনা মকোক থোংনা অদুমক লৈখি।

মালেগী নেসনল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুদা মালদিভিয়ানগী আউটফিট মোহম্মেদ উমেরনা মেচকী মিনিট ৫৯ অমদি অলেক্সেন্দর রেকিক্না মেচকী মিনিট ৮৫ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি। মাজিয়ানা হৌজিক ফাওবদা মখোয়না ফংখিবা মেচ মঙাগী মনুংদা মেচ ৪ মায় পাকখিদুনা অপূনবা পোইন্ট ১২ ফংদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈরি। মখোয়না মথংগী ষ্টেজগী কম্পিটিসন ইন্টর জোন প্লে ওফকী সেমী ফাইনেলগীদমক হান্নলা ক্বালিফাই ওইখ্রবনি।

বেঙ্গালুরুনা মেচ মঙা ফংখিবদা মেচ অহুম মায় পাকপা অমদি মেচ অনীনা মায়থীদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা চৎলি। বেঙ্গালুরু এফ সীনা লাক্লিবা মে ৩১ দা মাজিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নগদৌরিবা মখোয়গী অরোইবা গ্রুপকী মেচ মায় পাকপা তঙাইফদ্রি। করিগুম্বা মেচ অসি মায় পাক্লবদি বেঙ্গালুরু এফ সীনা ইন্টর জোন প্লে ওফকীদমক কবালিফাই ওইগদৌরিবনি।

অদুম ওইনমক বেঙ্গালুরুএফ সীনা মোহন বগানগী মখূৎতা মায়থীখ্রবসু মখোয়না মমাঙদা শান্নখিবা মেচতা চনখিবা গোলশিং অদু য়েংলকপা মতমদা মাজিয়াদগী হেন্না লৈরিবনা য়ূমশকৈশা নুমিৎকী মেচ অসিদা মজিয়াবু মায়থীবা পীরবদি শুংশোয় শোয়দনা অনীশুবা ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমগনি।

মোহন বগান্না মেচ মঙা শান্নখিবদা পোইন্ট তরুকখক্তমক ফংলগা অহুমশুবা মফমদা লৈখিদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী হান্ননা মপান থোকখ্রবনি। লাক্লিবা মে ২১ দা শান্নগদৌরিবা ফেদরেসন কপকী ফাইনেলদা মোহন বগান অমদি বেঙ্গালুরু এফ সীনা মখোয় মখোয়গী অনীশুবা ষ্ট্রিংগী লাইন অপ থাদোক্লগা শান্নহনগদৌরি। টিম অনীমক্কী লাইন অপ অদুদা ফেদরেসন কপকী সেমী ফাইনেলদা শান্নখিবা প্লেয়র অনী অনীখক্তমক য়াওহনগদৌরি। মোহন বগানগীনা ষ্ট্রাইকর বলৱান্ট সিংহ অমদি ব্রাজিলিয়নগী দিফেন্দর ইদুবু ফিল্ডদা পুথোক্তুনা শান্নহনগদৌরি। বেঙ্গালুরু এফ সীগীনা সলাম রঞ্জন অমসুং সী কে বিনিটপু থাদোক্তুনা শান্নহনগনি।

মিদ-ফিল্ডর মনপ্রীট সিংহনা হোকি ৱর্ল্ড লীগ সেমী ফাইনেলদা ইন্দিয়ন টিম্বু লুচিংগনি

ইন্দিয়ন টিমদা মণিপুরগী চীংলেনসন্না সিংহ কাঙুজম, কোথাজিৎ সিংহ খদাংবম য়াওরে

ন্যু দেল্লি, মে ১৮ :

নহা ওইরিবা মিদ-ফিল্ডর মনপ্রীট সিংহনা শগোলশেল নুমিৎতা শোকতুনা লৈরিবা পি আর শ্রীজেসকী মহুৎ শিনদুনা ইন্দিয়ন হোকি টিমগী কেপ্তেন ওইখিবগা লোয়ননা জর্মনিদা পাঙথোক্কদবা লৈবাক অহুমগী ইনভাইটেসনল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াননবা খোঙশাল্লগনি।

অমরোমদা ইংলেন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড লীগ সেমী ফাইনেলদা মনপ্রীট সিংহনা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন ওইনা লুচিংগনি।

ইন্দিয়াগী রিগুলর কেপ্তেন অমদি গোল কিপর শ্রীজেসকী মখুউদা অশোকপা লৈবদগী লাক্কদৌরিবা সেরিজ অমদি হোকি ৱর্ল্ড লীগ সেমী ফাইনেলদা শরুক য়াবা ঙম্লরোইদবা অদু য়েংলগা মহাকপু কেপ্তেন ওইনা লাউথোকখিবনি।

শগোলশেল নুমিৎতা লাউথোকখ্রবা ইন্দিয়ন টিমদা মণিপুরগী চীংলেনসন্না সিংহ কাঙুজম্না ভাইস কেপ্তেন ওইনা থৌ পুগদবনি অদুগা কোথাজিৎ সিংহ খদাংবমনা দিফেন্দরগী থৌ পুগনি।

ইন্দিয়ানা লৈবাক অহুমগী ইনভাইটেসনল টুর্নামেন্ট অদুদা জর্মনি অমদি বেলজিয়মগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। অদুগা ইংলেন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা হোকি ৱর্ল্ড লীগ সেমী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা কনাদা, নেদরলেন্দস, পাকিস্তান অমদি স্কোটলেন্দগা গ্রুপ অমত্তদা পূন্দুনা লম্বা তৌনগনি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা ২৬ শুবা সুলটান অজলান শাহা কপ টুর্নামেন্টতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়োক্তা শান্নখিবা প্লেদা শ্রীজেসনা অশোকপা নংখি। মহাক্কী মহুত্তা গোল কিপর অকাস চিকতে অমদি বিকাস ধয়ানা মহুৎ শিনখি। অদুগা রমনদিপ সিংহনা বেক্তা লৈদুনা এটেক্কিং জোন্দা শান্নগনি।

চীফ কোচ রোলেন্ট ওল্টমান্সনা হায়খি, সুলটান অজলান শাহা কপকী মতুংদা ঐখোয়না শান্নগদবা পোজিসন খরদা অহোংবা পুরক্লবগী মিৎয়েং থল্লকপনি। ঐনা মমাঙদা হায়খিবা অদুম্না চহী অসিদা অজলান শাহা কপ য়াওনা টুর অহুম শান্ননবা খুদোংচাবা লৈরি। মসিদা নহা ওইরিবা প্লেয়রশিং পুশিন্দুনা শান্ননবগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। অদুম ওইনমক এক্সপরিএন্স লৈত্রিবা প্লেয়র খরা ঐখোয়না য়াওহন্দুনা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা অদু উৎথোকচবা ঙম্নবা খুদোংচাবা পীরি।

ঐখোয়না মেন’স হোকি ৱর্ল্ডলীগকী সেমী ফাইনেলদা টোপ টু ফাওবদা লৈননবা মিৎয়েং থল্লি। ঐখোয়গী নুপামচাশিংনা অচৌবা টিমশিংবু মায়োক্নদুনা শান্নগদৌরিবা অসিগীদমক মাঙদা মিৎয়েং থমদুনা য়েংলি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন টিমগী মেম্বরশিং অদুদি গোল কিপরদা অকাস চিকতে অমদি বিকাস ধারিয়ানি। দিফেন্দরদা প্রদিক মোর, কোথাজিৎ সিংহ, সুরেন্দর কুমার, রুপিন্দর পাল সিংহ, হরমনপ্রীট সিংহনি। মিদফিল্ডরদা চীংলেনসন্না সিংহ কাঙুজম (ভাইস কেপ্তেন), এস কে উথাপ্পা, সাটবির সিংহ, সরদার সিংহ, মনপ্রীট সিংহ (কেপ্তেন) অমদি হরজিৎ সিংহনি। ফোরৱার্দতা রমনদিপ সিংহ, এস ভি সুনিল, টালৱিন্দর সিংহ, মন্দিপ সিংহ অমদি অকাসদিপ সিংহনি।

গৌরিনা গোল্ড লৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, মে ১৮ : গৌরি সেওরাননা হান্নওভরদা চথরিবা ইন্টরনেসনল শুটিং কম্পিটিসনগী জুনিয়র ৱিমেন’সকী স্পোর্টস পিষ্টলতা গোল্ড মেদল লৌখ্রে। গৌরি সেওরানা জর্মনিগী সোফিয়া কোভাসিকপু ২৭-২০ দা মায়থীবা পীখি। মহাক্না ক্বালিফিকেসন্দা পোইন্ট ৫৬৮ কাপ্পুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। নুপাগী এয়র পিষ্টলদা ইন্দিয়াগী সমরেস জঙ্গনা পোইন্ট ১৯৫.৮ (৫৭৫) কাপ্পুনা মরিশুবা পোজিসন তাখিবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমহৌখিদে। কাজখষ্টানগী ৱ্লাদিমির ইসাচেনকোনা পোইন্ট ২৪১.৫ (৫৮০) না অহানবা, ইটালিগী মৌরো বদরাচিনা পোইন্ট ২৩৮.৯ (৫৮০) অনীশুবা অমসুং জর্মনিগী মাইকেল হৈসেনা পোইন্ট ২১৬.৩ (৫৮১) কাপ্পুনা অহুমশুবা তাখি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা বোক্সরশিং অখন্নবা ত্রেনিং পীদৌরি

ন্যু দেল্লি, মে ১৮ :

জর্মনিনা য়ূম্বু ওইদুনা হম্বার্গতা লাক্লিবা ওগষ্ট ২৫ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা লৈবাক অসিগী বোক্সর তরেৎপু চেম্পিয়নশিপ অদুদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীবা ঙম্নবগীদমক অখন্নবা ত্রেনিং পীগদৌরি।

হন্দক্তা উজবেকিষ্টানগী টাস্কেন্টদা লোইশিনখিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সিং টিমনা মেদল মরি লৌরকখিবদা নত্তনা অপূনবা বোক্সর তরেৎনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফাই ওইখিবনি। হায়রিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ অদুদা কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা শিভ থাপা অমদি কেজি ৯১ গী কাঙলুপ্তা সুমিট সঙ্গৱাননা শিলভর মেদল লৌখি অদুগা কেজি ৪৯ গী কাঙলুপ্তা অমিট ফঙ্গাল অমদি কেজি ৭৫ গী কাঙলুপ্তা ভিকাস কৃষ্ণননা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। মেদলিষ্ট মরি অদুগী মথক্তা কেজি ৫২ গী কাঙলুপকী কভিন্দর সিংহ বিষ্ট, কেজি ৬৯ গী কাঙলুপকী মনোজ কুমার অমদি কেজি ৯১ মথক্কী কাঙলুপকীদা সটিশ কুমারনা মখোয়গী বোক্স-ওফ বাউটশিং মায় পাক্তুনা ক্বালিফাই ওইখিবনি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) গী প্রসিদেন্ট অজয় সিংহনা হায়খি, হান্ননা লেপখিবা মতুং ইড়না নেসনল কেম্পশিং পাঙথোকপগা লোয়ননা লাক্লিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা বোক্সর তরেৎকীদমক অখন্নবা ত্রেনিং চথুদুনা অফবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙম্নবা হোৎনগনি। বোক্সরশিং অসিদা অখন্নবা মখোয়গী ষ্টেমিনা অমদি অখাঙ কনবগী থৌনা অদু হেঙ্গৎহন্নবা ত্রেনিংশিং পীগনি। মখোয়গী হৈশিংবশিং অদু মতাং মতম চানা শীজিন্নদুনা মায়োক্নবা লম্বাবু নমহৎনবা কোচশিংনা মতিক চাবা লৌশিং পীহনগনি।

হৌখিবা থা মরি চুপ্পা অকনবা ত্রেনিং তৌদুনা কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াখ্রবা মতুং বোক্সরশিং অসি নুমিৎ তরেৎনি পোথাহল্লবা মতুং থা অসিগী অহুমশুবা চয়োলদগী হৌদুনা নেসনল কেম্পতা ত্রেনিং চথগনি। বোক্সরশিংগী পার্ফোমেন্স হেঙ্গৎহন্নবা নৌনা খনখ্রবা কোচ স্বিদেনগী সান্টিয়াগো নৈভায়াওনা এসিষ্টেন্ট কোচশিং য়াওবা টিমনা কূপ্না শেন্নদুনা মথৌ ইৎকনি।

NO. 18/1/10-DSWO/BPR (NOTICE)

GOVERNMENT OF MANIPUR

OFFICE OF THE

DISTRICT SOCIAL WELFARE OFFICER

BISHNUPUR

PRESS RELEASE

Bishnupur, the 18th May, 2017

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মণিপুর ওল্ড এজ পেন্সন স্কিম (এম:ও:এ:পি:এস:) লাক্লিবা তাং ২২/০৫/২০১৭ ইং, নিংথৌকাবা নুমিৎতগী কেন্দ্র কেন্দ্রদা চৎতুনা য়েনবা হৌজরগনি। মমাঙগী শেল য়েনখিবদা দিপার্টমেন্টনা কার্দ ফাজিলহৌবা পেন্সনরশিংনা শেল লৌবা লাকপা মতমদা আধার অমদি বেঙ্ক পাসবুক জেরোক্স পুবীরক্লগা লৌবীগদবনি। কার্দ ফংখ্রবা পেন্সনরশিংগীদমক্তদি কার্দ অদুমক পুবীরক্লগা শেল লৌবীরবা য়াগনি। কনাগুম্বা পেন্সনরশিংনা অনা-অয়েক অমদি শোন্দুনা মশা লাকপা ঙমদ্রবদি মোবাইল ফোনগী খুথাংদা পেন্সনর মশা অমদি শেল লৌবা লাক্কদৌরিবা মীওইদুগা পুন্না ভিদিও ক্লিপ নম্মিন্নরক্কদবনি, ভিদিও ক্লিপ অদু ভেরিফাইদ তৌরবা মতুংদা পেন্সনগী শেনফম পীথোকচগনি। করিগুম্বা ভিদিও ক্লিপকী খুদোংচাবা লৈতবশিংগী ওইনদি এপ্লিকেসন অমা DSWO, Bishnupur দা থাবীরক্লগা ওফিসকী ফিল্ড ষ্টাফনা ভেরিফাইদ তৌরবা মতুংদা মশা মশাদা পেন্সনগী শেনফম য়ুম য়ুমদা চৎতুনা পীথোকচগনি।

কেন্দ্র কেন্দ্রদা চৎতুনা পেন্সন য়েনগদবা মফম অমদি মতম মখা পীজরি ঃ

য়েনগদবা তারিক	এসেমব্লি কন্সটিটুএন্সি	য়েনগদবা মফম
তাং ২২-৫-২০১৭	বিষ্ণুপুর	ন্যু মিনি সেক্রেটরিয়েট, মল্টিপ্রপোজ হোল, দি সী কমপ্লেক্স
তাং ২৩-৫-২০১৭	বিষ্ণুপুর	নিংথৌখোং বজার কম্যুনিটি হোল
তাং ২৪-৫-২০১৭	মোইরাং	কুমাম মান্ধোপ
তাং ২৫-৫-২০১৭	মোইরাং	ক্বাক্তা কম্যুনিটি হোল
তাং ২৬-৫-২০১৭	থাঙ্গ	থাঙ্গ চীঙজিল কম্যুনিটি হোল
তাং ২৭-৫-২০১৭	থাঙ্গ	কৈরেনফাবী কম্যুনিটি হোল
তাং ২৯-৫-২০১৭	কুম্বী	ৱাঙু মান্ধোপ
তাং ৩০-৫-২০১৭	কুম্বী	কুম্বী বজার
তাং ৩১-৫-২০১৭	ওইনাম	ওইনাম কম্যুনিটি হোল
তাং ০১-৬-২০১৭	ওইনাম	কৈনৌ থোংখা কম্যুনিটি হোল
তাং ০২-৬-২০১৭	নম্বোল	সাবল লৈকায় কম্যুনিটি হোল
তাং ০৩-৬-২০১৭	নম্বোল	লৈমপোকপম কম্যুনিটি হোল

Sd/- **N. Binod Singh**
District Social Welfare Officer,
Bishnupur.

HL-P/0731/19

[illegible]

ওজা এমভি রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি



ঐ মতম শাংনা নুঙশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা তিনকুপ লৈবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খ্বাঙ নাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওরকপা, খোঙ হাম্বা লোইবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শাবা, চিকপা, সৌজদু খুৎনা ইনশিনবা, চৎপদা পদ্রাক-পদ্রাক তারকপা, অমাঙথোং মনুংদা চাথৎপা, পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা-থকপা তুমদবা তৌরম্বা অদু ওজা **এম ভি রিয়াজুদ্দিন বুয়াময়ুম** ☎ **৯৮৫৬৭৯৭৩৩৮, ৭০৮৫৪৯৪৭৮৩** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা রিয়াজুদ্দিনবু মতম চূপ্পদা ময়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম ঃ 1. Mayang Imphal Konchak Bazar 2. Moreh : Fire Brigade Office, Opposite (Monday and Tuesday).

থাগৎচরিবা ঃ **JAGHAT SINGH**
Moreh

HL-P/1577/13/5-13/6

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/কোক চিক্কনবা, শ্বর হোনবা য়াম্না ৱাবা, নাতোন মনুংদগী ঈ তারকপা, নপ ওরো-ওরো তাবা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা সাইনসনা য়াম্না কন্না নাদুনা হকথি তোয়না খনবা, নাতোন মনুং ফুঞ্জিন্দুনা লৈবা, খনাউ মরেং-মরেং চৎপা, নপ মহী তোয়না তাবা, না তাবা ৱাৎপা, লোক কংখু খুবা, নাতোন মনুংদা পোম্বা, চাথৎপা, নাতোন মনুংদা হাক্কচবা তৌরম্বা অদু ওজা **এম ভি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম** ☎**৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** তা চত্তুনা থা অমা হীদাক চাবদগী ঐ হৌজিক মপুং ফানা ফরে। কোক চিক্কনবা, শ্বর হোনবা য়াম্না ৱাবা, নাতোন মনুংদগী ঈ তারকপা, নপ ওরো-ওরো তাবা অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নিংঙাই লৈতনা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm

থাগৎচরিবা : **Nongthombam Biramani Meitei**
Wahengbam Leikai

HL-P/1081/19

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাঙথোং মপান্দগী খরা হঞ্জিল্লগা উরিকমুক চাউবা অমা তংলগা লৈবা, তংলগা লৈবা অদুদগী খোঙ হাম্বদা ঈ তৈরকপা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না চিকপা নাবা, অমাঙথোং মনুংদা শাবা ফহনবগী ওজা জিয়া উল হগপু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোং মপান্দগী খরা হঞ্জিল্লগা উরিকমুক চাউবা অমা তংলগা লৈবা, তংলগা লৈবা অদুদগী খোঙ হাম্বা মতমদা অমাঙবদা ঈ তৈরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা তংলগা লৈবা অদুনা মরম ওইদুনা য়াম্না চিকপা নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরবা মতুংদসু য়াম্না শাবা, ফিঙৌ য়াম্না চৎপা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, ফিনুংদা হাক্কচবা, মনম নমথীবা, কোক ঙাওবা, ফমদিন্নবগী অপাম্বা ঈরৈ লৈতবা, খ্বাঙ, তাং-তাং চিকপা, নোংমা-নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, হৈনিং-শিংনিংবা পোক্তবা তৌরম্বা অদু **MD. Zia-Ul-Haque Phusam** ☎ **8414825323, 9615256612** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু মপোকসিমগী কাওজরোই হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম ঃ 1. Kekru Villa North AOC, Opp. AMUCO, UCM Gate Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai (Only Wednesday&Saturday open).

থাগৎচরিবী : **Khaidem Ibeyaima Devi**
Tera Sapam Leirak.

HL-B/3821/19

ইন্দিয়াগী এস রবিনা চেম্পিয়ন ট্রোফিগী ওপনিং গেমদা অম্পায়র ওইগনি

দুবাই, মে ১৮ : লাক্লিবা আই সী সী চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা ইন্দিয়াগী এস রবিনা লীগ মেচ অনীদা ফিল্ড অম্পায়র ওইনা থৌ পুগদৌরি। মসিনা মহাক্কী অহানবা অসিগুম্বা টুর্নামেন্ট অসিদা ওফিসিএট ওইবসু ওইরে।

ইংলেন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা লাক্লিবা জুন ১ দগীনা জুন ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা অম্পায়র অমদি মেচ রেফ্রি ওইনবগীদমক ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী) না শগোলশেল নুমিৎতা লাউথোকখি। চেম্পিয়নশিপ অসি ইংলেন্দগী মফম অহুমদা চথগনি। মফমশিং অদুদি কার্দিফ, ইগবাষ্টন অমসুং লন্দনগী ওভেলনি।

আই সী সী ইমরেটস এলিট পেনেল ওইরিবা ক্রিস ব্রোর্দ, দেভিদ বুন অমদি এন্দি ফেক্রোফ্টনা টুর্নামেন্ট অদুদা মেচ রেফ্রিগী দায়ত্ব লৌগনি অদুগা অম্পায়র ১২ না অম্পয়ারিংগী দায়ত্ব পুগনি। মখোয়শিং অদুদি অলীম দার, কুমার ধর্মসেনা, মরাইস ইরাসমস, খৃষ্ট গেফিনি, ইয়ান গোল্ড , রিচার্দ ইল্লিনৱার্দ, রিচার্দ কেটলবোর্ঘ, নিগেল ললোং, ব্রুস ওক্সফোর্দ, এস রবি, পাওল রৈফল অমদি রোদ টক্করনি।

মারিয়া শরাপোভানা ফ্রেঞ্চ ওপনগী ৱাইল্ড কার্দ ফংখিদ্রে

পেরিস, মে ১৮ :

রোলেন্দ গারোসকী অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবী রসিয়াগী মারিয়া শরাপোভাবু ফ্রেঞ্চ টেনিস ফেদরেসন (এফ এফ টি) না চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম ইভেন্ট অমা ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী ৱাইল্ড কার্দ পীখিদবদগী ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াররোই।

হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অমদি কুমজা ২০১২ অমসুং কুমজা ২০১৪ গী ফ্রেঞ্চ ওপনগী টাইটল লৌখিবী শরাপোভানা মমাঙ থা এপ্রিলদা দোপিংগী অথিংবা মায়োক্নখিবা অদু লোইশিনখিদুনা প্রো টেনিসতা অমুক হন্না হল্লকখিবনি। মহাক্না হন্দক্কী ওপন অসিদা শরুক য়াবা ফংলরোইদবনা মহাক্না থংনা থংননা শরুক য়াদবসু অনীরক শুবা ওইরগনি।

ফ্রেঞ্চ টেনিস ফেদরেসন (এফ এফ টি) গী প্রসিদেন্ট বনার্দ গুইদিসেল্লিনা হায়খি, শরাপোভানা রোলেন্দ গারোসকী টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখ্রে অদুবু মহাক্না ওপন অসিগীদমক ৱাইল্ড কার্দ পীবিনবা হায়জরকখিবা অদুদি ঐনা পীবা ঙল্লোই। মহাক্না মফম অসিদা লৌখিবা টাইটল অনী অদু কম্পিটিসন অসিগী চৎনা কাঙলোন অকায়বা অমত্তা য়াওদনা লৌখিবনি। মশাগী অোকপা লৈরুবদগী ফগৎলক্তুনা হল্লকপা প্লেয়রশিংদি ৱাইল্ড কার্দ পীনবগী খুদোংচাবা লৈ অদুবু দোপিংগী অথিংবা মায়োক্নরুবা মতুংদা হল্লকপা শান্নরোয়শিংদদি ৱাইল্ড কার্দ পীবা ঙমদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

গ্রান্দ স্লাম টাইটল মঙারক লৌবা ঙমখ্রবী শরাপোভানা মমাঙ চহীগী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন্দা আইন্না থিংখ্রবা দ্রগ মেলদোনিয়ম পোজিটিব ওইরমখিবদগী ইন্টরনেসনল টেনিস ফেদরেসন্না চহী অনী অথিংবা থমখ্রবসু কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্টস (সী এ এস) না মহাক্কী অথিংবা অদু থা ১৪ দা হন্থহনখি অমদি চহী অসিগী এপ্রিল ২৬ তা মহাক্কী অথিংবা অদু লোইদুনা ষ্টুটগার্ট ওপন্দা হল্লক্তুনা শরুক য়াখি। মহাক্না ষ্টুটগার্ট ওপন্দা সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি। মতুং মেদ্রিদ ওপন্দা শরুক য়াখিদুনা অনীশুবা রাউন্দ ফাওবা চঙবা ঙমখ্রবসু পেরিসকী মফম কনবদি ঙমখিদে।

মশাগী চহী ৩০ শুরবী রসিয়ন অসিনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা ইটালিয়ন ওপনগী অহানবা রাউন্দ মেচতা অমেরিকাগী খৃষ্টিনা মেকহেলবু মায়থীবা পীদুনা লাক্লিবা ৱিমল্লেদন চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টকী মফম কনবা ঙমখি। অদুবু ওপন অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা মশাগী ওইথংবা মফৈগন্দা অশোকপা নংদুনা রিটয়ার্দ তৌখিবদগী মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙদুনা ৱিমল্লেদনগী মেইন দ্রোদগী মফম অমা কনবা ঙম্নবা শাগৎখিবা মঙলান অদু কায়খি।

STUDY MBBS/MD IN ABROAD

BANGLADESH: PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE, TMSS, SYLHET WOMEN'S MEDICAL & MARKS MEDICAL COLLEGE.
KAZAKHSTAN: SEMEY STATE MEDICAL UNIVERSITY, KAZAKH NATIONAL MEDICAL UNIVERSITY.
PHILIPPINES:- AMA SCHOOL OF MEDICINES, UNIVERSITY OF PERPETUAL HELP SYSTEM, EMILIO AGUINALDO SCHOOL OF MEDICINES.
CHINA: HENAN UNIVERSITY, HENAN UNIVERSITY OF SCIENCE AND TECHNOLOGY, ZHENGZHOU, KUNMING,
RUSSIA : ALTAI STATE MEDICAL UNIVERSITY, RUSSIA.

PLZ Contact: - Atawar Rahman
A.S. Education Trust, Khergao Thambalkhong,
Near Cambridge School, old Campus Imphal.

NOTE: : Scholarship Available for For Master and PhD in China.

Contact No.: 9856363129, 9615706900 , 7085715427,8974084294 ,

HL-P/1397/22 Apr.-22 May

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN - Foundation Course for Class I to X Starts: 25th May 2017 Time : 4:30 pm - 7:30 pm
Foundation Course for Class XI & XII Starts: 25th May 2017 Time : 4:30 am - 7:30 am Limited Seat

1st Position (2016)
Sohana Laishram

BOARDING FOR BOYS & GIRLS

VAN SERVICE AVAILABLE

9856988840
9402897710
8732022342

3rd Position (2016)
M. Vasundhara

HL-B/3857/19,22,25,28,31,03,06,09